# সনালৈবাক SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

www.sanaleibak.in




পেট্রোলিয়ম কঞ্জার্ভেসন রিছার্স এসোসিয়েসন অমদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পব্লিক সেক্তর ওইল অমদি গ্যাস কম্পনিশিংনা শীনবা সাক্ষম ২০২০ হৌদোকপগী থৌরমদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর শ্যামনা ৱা ঙাংবা



মণিপুর লৈঙাক্কী এনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা কুমজা ২০২০ গী ৱাল কেলেন্দর ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা লুচিংবা তিমনা ফোঙবগী শক্তম অমা



মণিপুরগী জগোয়না শান্তিনিকেটনগী শরুক অমা ওইখিবগী চহী ১০০ মপুং ফারকপগী থৌরম অমদি জে এন মণিপুর ডান্স একাদেমিগী প্রদক্সন য়ুনিটকী ৪৪ রক শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম


Volume No: 44 Issue: 051 | IMPHAL FRIDAY 17 JANUARY 2020 | ইরাই, ৱাকচিংগী ২২ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঞ্জাক

নীংথিনা শেম শাদবা হায়বসি
শোয়নবা শেম শাবনি

## অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৫.৬৬° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৬.৫° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৬.০১
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.৪৮

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭৩.৮০
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৭.১৫









গ্যাসকী পাউ লা: ৬ তা

## লোইরেদনা

ঐখোয়না পানবদগী করপসন অমত্তা তৌহন্দ্রবনিনে...!



থবক চঙবগী মমলদি হান্নগী লৈঙাক্নবু খরা হোংব্রা খল্লিদা... ৱারিবো...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### থিংলনি

চিন্দা ওইনা থিংলনি
চিন্দা ওইনা থিংলনি
পাম্লৌ উবা থিংলনি
উমং কোকপা থিংলনি
পোপ্পী থাবা থিংলনি
গঞ্জা থাবা থিংলনি
হেরোইন শুংবা থিংলনি
য়ু শুংবা থিংলনি
লৌবুক্তা য়ূম শাবা থিংলনি
চেঙ তাংবা থিংলনি
চেঙ মাঙবা থিংলনি
পোৎ তাংবা থিংলনি
ওফিস থেঙনা কাবা থিংলনি
ওফিস ঙন্না কুম্বা থিংলনি
থবক হাপ্পদা শেঞ্জাবা থিংলনি
এম এল এনা কন্ট্রেক্তর ওইবা থিংলনি
মন্ত্রিনা ঠিকা তৌবা থিংলনি
মন্ত্রিনা ৱাজাও ঙাংবা থিংলনি
মন্ত্রিনা নুপী লোনবা থিংলনি
চিন্দা ওইনা থিংলনি
চিন্দা ওইনা থিংলনি

# দ্রগ ফাবা চঙলুবদা নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীওই ১ শিরে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ ময়াই কাবা দ্রগ চবুল অমা লোৎতুনা থম্লে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবুগা ওল লিলোং এন্তি দ্রগ এসোসিয়েসন (অলাদা) গী থৌমীশিংগা পূন্না খূৎশন্নদুনা দ্রগ ফাবা চঙশিল্লুবদা য়ূম্বুনা নোংমৈ কাপথোরকপদা মনাক অদুৱাইদা লৈরম্বা মীচম অমা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদ্রে, মফমদুদগী পুলিসনা দবল বেরেল অমা রিকোবর তৌখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং এম দি সজিদ (২২) অপোকপা এমদি অজাদ কৌই, লিলোং উসোইপোকপি মাইরেল খুল মখা তাথবী লৈকাইদগীনি। মহাক্কী মকোক্তা নোংমৈ মরূ কয়ামরুম পানবগী মফম লৈ হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, থৌদোক অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লিলোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লিলোং উসোইপোকপী মাইরেলখুল মখা তপথবী লৈকাইদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পূং ৬.৩০ রোম তাবদা থোকপখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা, হায়রিবা লৈকাই অসিদা ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবশিং লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ওইনাম অজিৎনা লুচিংবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দোনা ওল লিলোং এন্তি দ্রগ এসোসিয়েসন (অলাদা)গী থৌমীশিংগা পুল্লগা ফানবগী মফমদুদা চংশিনখি। মফমদুদা লৈবা এমদি থেঙ্গু (৩০) অপোকপা এমদি রোক্সন অলি কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা থিবা হুপ্না চখনবা চঙশিল্লুবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ইরাং শাগৎলকপগা লোয়ননা লৈকাই মীয়াম থোমজিল্লকখি। তাঞ্জাদুদা মীয়াম মরক্তুদা কদোমদগীনো খঙদনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকপদগী মীচম অমা নোংমৈ মরূনা পানবদগী লায়কল্লবা নংদনা মফমদুমক্তা শিরে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুং মীওই অমা লৈখিদবা অদু পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদগী শিবনি হায়না লৈকাই মীয়াম্না ইরাং হৌরকপদগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদগী অহেনবা টিম চঙশিল্লক্তুনা ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখি হায়রি। তুংদা ইরাং হৌরক্লিবা লৈকাই মীয়াম্না লিলোং উসোইপোকপিগী ইম্ফাল মোরে লম্বী থিংবগী থবক চখখি। তুংদা মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিংনা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি। লোয়ননা থৌদোক থোকফমদগী দবল বেরেলগী কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরূ খরা পুলিসনা রিকোভর তৌরে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ময়াই কাবা দ্রগকী মীওই মায়োক্তা চখবা লান্দাগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা দ্রাইভ চখবদা দ্রগ শুংবা অমদি গারী হুরানবদা চেন্নবা মীওই অনী ফারে, অনী অমনা লোৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংচনবা মোইজিং অৱাং লৈকাইদগী এম দি রসিদ অলি (৩২) অপোকপা এম দি খৈরউদ্দিন কৌবা মীওই অসি অল্টো কার এম এন ০৫জে–০০৭৯ অসিগা কোন্ননা ঙরাং নুমীদাং পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা ফারে। রসিদ অলিগা কোন্ননা কার অসিগী চে চাং শুনা য়াওদে, দ্রগ লল্লোনবদা শিজিন্নবা গারী ওইগনি। ফারবা রসিদ অলিবু ৱাহং পাউহং চখবদা হায়দোরকপদা মহাক্কী ময়াম্বা এম দি অবাজ অক্মদ এলাইজ মসাতানা (৩৫), মহাক্কা লোয়নবা লিলোং লৈহাওখোঙ লৈনুং হোটেলদগী এম দি ইমরান (২৮) অপোকপা এম দি জি য়াউদ্দিন অমদি য়াইরিপোক কেক্রু মখা লৈকাইদগী এম দি ফিরোজ খান (৩৯) অপোকপা এম দি অজিজুর রহমন হায়রিবা মীওইশিং অসি গারী হুরানবা, ব্রাউন শুগর শুংবা অমদি ব্রাউন শুগর শুংনবা কেমিকেল পুথোক পুশিন তৌবদা য়াওবা মীওই ঙাক্তনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মখাতানা দ্রাইভ চখবদা ফিরোজ খান য়াইরিপো লমখাইদগী ফারে। এম দি অবাজ অক্মদ অমদি মহাক্কা লোয়নবশিংনা লোক্তুনা থম্লম্বা ময়াই কাবা দ্রগ শুংবদা শিজিন্নবা কেমিকেল খরসু লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অরাপ্তি কোমলা ইখোলদগী ফাগৎলে। এম দি অক্মদ অমদি এম দি ইমরানদি লোৎখিবদগী ফানবা থিবগী থবক কন্না চখরি। ফারবশিংগী মথক্তা থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

চৈরক অসিদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা আসাম রাইফল ক্রুপনা ইম্ফাল মোরে লম্বগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতগী লুপা ক্রোর ২ রোমগী ময়াই কাবা দ্রগা কোন্ননা মীওই অনি ফারে। এ আরনা মোরেরোমদগী থোরকপা জুকি জিপসি এম এন ০৫এ–৭৫৩০ অসি চেক তৌবদা হিরোইন পাউদর গ্রাম ৩৯৪ অসি য়াওরম্বা থেংনবদগী গারী অদুবু থৌরকখিবা অমদি তোংলকখিবা পুন্না মীওই অনী ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অনী অদুদি গাড়ী থৌরকখিবা মোরেদগী শোক্তক লেটমিনলেন ভাইফে (২৮) অমদি গারী অদুদা তোংলকখিবা মোরেদগী এম থেনমাং হাওকিপ (২৩) নি। মখোয়দগী লুপা ক্রোর ১.৯৭ রোমগী মমল ওইগদবা দ্রগ ফারে।

## গ্রেটর ইম্ফাল রিং রোদকী অনৌবা এলাইনমেন্ট লৈঙাক্না অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ক (এ দি বি)গী মখাদা হান্ননা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা থবকশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্না লোইশিনফম থোকপা থবকশিং লোইশিন্দনা লৈবনা মরম ওইরগা বেঙ্ক অসিগী শেঙ্গং মখাদা পায়খৎকদৌরিবা গ্রেটর ইম্ফাল রিং রোডকী থবক হৌবদা অপনবা ওইরক্কদৌরি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটতা রিভিয়ু মিটিং অমা পাঙথোকখি। মিটিং অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী রিং রোদ অসিনা ফাওদুনা চৎকন্দবা লম্বীশিংগী অনৌবা এলাইনমেন্ট অয়াবা পীখ্রে।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী লিখুন অমনা হায়, গ্রেটর ইম্ফাল রিং রোড অসি শেম্নবগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সতগী অয়াবা পীরক্লে। অদুম ওইনমক মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎকদবা থবক খরা ৱাৎপনা মরম ওইরগা মসিগী থবক অসি হৌবা হেক্তা য়ারোইদবগী ফিভম অমদা লৈরে।

এ দি বিগী মখাদা হান্নদগী পায়খত্তুনা লাক্লবা প্রোজেক্টশিং টুপুলদগী বিষ্ণুপুর ফাওবা অমদি থৌবালদগী *মখা লমায় ৩দা...*

## ট্রক দ্রাইভর পুলিসনা ফুরুবগী মায়োক্তা মতম কক্তবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ চৎলিবা জনুৱারি থাগী ১৪ গী নুংথিলদা কাংপোকপীদা ট্রক দ্রাইভর অমা ফুবদা চেন্নবা মণিপুর পুলিসকী এ এস আই, টিঐচ হিটলর থবক্তগী থদৎকদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অদু সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট দ্রাইভর্স এসোসিয়েসন, সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট দ্রাইভর্স য়ুনিয়ন অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট দ্রাইভর্স ৱেলফিয়ার য়ুনিয়ন হায়রিবা লূপ অহুম অসিনা ঙসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা লাওথোকখিবনি।

ট্রক দ্রাইভর ফুবদা চেন্নবা পুলিস পার্সোনেল অদু পুং ৪৮গী মনুংদা থবক্তগী থদৎত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লূপ অহুম অসিনা মমাঙদা মণিপুর গভর্ণমেন্টদা মতম থাখিবসু লৈখ্রে। অদুবু থবক্তগী থদৎপগী মহুত্তা সস্পেন্দ খক্তমক তৌখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অসি চঙশিল্লকপনি। ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি হেক হৌখিবা মতমদগী পুং ৪৮গী মনুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এ এস আই টিঐচ হিটলরবু থবক্তগী থদৎতবা তারবদি হেন্না কনবা খোঙজং ওইনা টোটেল ব্লোকেদ চঙশিল্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পুলিস ওফিসার অদুনা ট্রক দ্রাইভর অদুবু গাড়ী খাম্মু য়াদনা থৌরগা চৎখি হায়বগী ৱাহৌদা এ এস আই অদুনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা তান্নরক্লগা দ্রাইভর অদু তমথিনা ফুবিখি। নাইন এম এম পিষ্টোল অমা পুথোরক্লগা মহাক্তা নক্তনা অতোপ্পা দ্রাইভর অমবুসু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎকনি হায়না কিহন–খংহনবগী থৌদোক অমা থোকখিবা লৈখি

## মণিপুরগী লম অমদি লন–থুম লৈবা য়োনবা রেজিষ্টার তৌবা থিংখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ (এস এন এস)ঃ মীতোপনা লম লৈবা নৎত্রগা লমদমসিগী মীয়াম মশেলগী মরক্তা লম য়োনবগী রেজিষ্টার তৌবদা মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমখ্রে, হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না য়াথং অমা থোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী রিভিন্যু দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরী অমসুং কমিস্নার (রিভিন্যু) ঐচ জ্ঞান প্রকাশনা খূৎয়েক পীদুনা হৌখিবা জনুৱারি ১০ দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমদা 'ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী হোম মিনিষ্ট্রিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী দিসেম্বর ১১ দা থোকখিবা এদোপসন ওফ লোজ (এমেন্দমেন্ট) ওর্দর ২০১৯' গী মতুং ইন্না বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার রিগুলেসন ১৮৭৩ মণিপুর পূন্নমক্তা চৎনরে। রিগুলেসন অসিগী সেক্সন ৭ তা মণিপুর ষ্টেটকী মনুংদা লম অমদি লমগী পোথোক শীজিন্নবদা অথিংবা থম্বগা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা রিগুলেসন অসিগী গাইদলাইনশিং ফাইনেলাইজ তৌদ্রিবা ফাওবা লম অমদি লন–থুম লৈবা য়োনবগী রেজিষ্টেসন তৌবদা অথিংবা থম্বনি হায়না ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি। পনবা য়াবদি আই এল পিগী গাইদলাইন শেম্বদা লমগী ৱাফম য়াওরকখিদবনি হায়রি।

## এম সি এস ১ দাইরেক্তর ওইনা থাজিল্লকপদগী হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং শাওনরে

ইম্ফাল,জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টতা হান্নগী দাইরেক্টর অমা লৈনা লৈনা এম সি এস ওফিসার অমবু দাইরেক্টর ওইনা ট্রান্সফর তৌশিল্লক্তুনা কেন্দর পোষ্ট ওন্থোক্লবা লৈঙাক্না হোৎনরকপগী মায়োক্তা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়িশিং ঙসি মাস কেজ য়েল লিভ লৌদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।


পাউচে অসিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউদা হায়, হান্নগী দাইরেক্টর অমা লৈঙাক্না হাপ্তুনা লৈনা লৈনা ঙরাং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিনা খূৎয়েক পীদুনা থোকখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না এম সি এস ওফিসার ওইরিবা মার্সিনা আর পানমৈবু দাইরেক্টর ওইনা হাপচিনলকখিবনি।

লৈঙাক্কী য়াথং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি অয়ুক্তগী দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়িশিংনা মাস কেজুয়েল লিভ লৌদুনা ওফিস কাখিদবনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসিগুম্না মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রি। লৈঙাক্না হাপ্পা হান্নগী দাইরেক্টর অমা লৈনা লৈনা এম সি এ ওফিসার অমবু দাইরেক্টর ওইনা হাপচিল্লকপা অসি মসি য়াবা ঙম্লোই হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোইয়ী অমনা ফোঙদোরকখি।

দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্টরগী পোষ্ট অসি কেন্দর পোষ্ট অমা নত্তে। হান্নদগী হৌদুনা বি এস সি হোর্টিকলচর, নৎত্রগা এগ্রিকলচর, এম এস সি হোর্টিকলচর নৎত্রগা এগ্রিকলচর লোইরবা মতুংদা চহী কয়া লিশাং শিংনা ফিল্ডদা তাদুনা মখোয় মখোয়গী থাক্তা অঙম্বা থবকশিং পায়খত্তুনা লাক্লবা তুংদা সেনিয়ারিতি য়েংলগা ফম অসি পায়দুনা লাক্লখিবনি।

দিপার্টমেন্ট অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং, মসিগী টেক্নিকেল ওইবা ৱাফম কয়া অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগী ইশু কয়া এম সি এসনা হেদ ওইবা মতমদা খঙনবা হোৎনবদা মতম চঙগনি। মসিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা খুরৌ ওইদুনা দিপার্টমেন্ট *মখা লমায় ৩দা...*



## নমদুনা ফম্লানবগী কেসতা অমনা মপুন্সি চুপ্পা অমনা চহী ১০ থবক শুবগী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ১ দা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা নমদুনা ফম্লানবগা লোয়ননা অশোক–অপন নংহনখিবা মীওই অমা মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থবক শুবগী ফাদোক পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ফম্লানবগী কেস অমদনা মবুং তিন্নরগা মচলনুপী নমদুনা ফম্লানবিখিবা নুপা অমনা চহী ১০ থবক শুবগী কৈশুমশঙদা লৈনবা মরী লৈনবা কোর্টশিংনা য়াথং পীখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা নমদুনা ফম্লানবগা লোয়ননা অশোক–অপন নং হনখিবগী কোর্টনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী নুঙথেক করভানমুৱাং ভিল্লেজ পার্ট ২ দা লৈবা চহী ৫২ শুবর অশিন এলাইজ কাশিন এলাইজ কাশিনবা ঙসি স্পিসিয়েল জজ এ নৌতুনেশ্বরি দেবীগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পোক্সো কোর্টনা ফাইল ওইনা লুপা লাক্ষ ২ থিহনবসু খঙহনখি।

লোয়ননা মণিপুর ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিমগী মখাদা ভিক্টিম অদুগী অপোকপীগী খূত্থাংদা ভিক্টিম অদুবু অশোক–অপন নংহনখিবগীদমক লুপা লাক্ষ ১ অমদি পেনেট্রেটিভ সেক্সুচুয়েল এসোল্টস চখখিবগীদমক লুপা লাক্ষ ৫ পূন্না লুপা লাক্ষ ৬ কী কম্পেন্সেসন পীননবা ওর্দর তৌখ্রে।

কোর্ট অসিমক্না চহী নৌরিবা নুপীমচা অমা মকোক্তা নুঙনা শুদুনা ৱাখল মাঙহল্লবা মতুংদা নমদুনা ফম্লানখিবগীদমক নোনে দিষ্ট্রিক্টকী নুঙথেক করভানমুৱাং ভিল্লেজ পার্ট ২ দা লৈবা লৈখিদ্রবা মঙাইনাবা এলাইজ অদাইতাবগী মচানুপা অশিন এলাইজ কাশিন এলাই কাশিনবা (৫২) ঙরাং মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি।

ঙসি চখখিবা সেন্টেন্স হিয়ারিং অদুদা স্পিসিয়েল পি পি কোসিয়া মাওনা থম্লকখিবা সবমিসন অদুনা পল্লিবদি, তমথিরবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা চহী নৌরিবী ভিক্টিম অদু হৌজিক অকি–অখং অমদি ৱাখলগী অনাবা কয়া নাদুনা লৈরে। মহাক্কী একাদেমিক কেরিয়র পূম্বা মাঙ তাক্লে অমসুং মমান্নবশিং *মখা লমায় ৩দা...*